
Hueiyen Lanpao




# মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপঃনীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা মেদল ৩৯ লৌবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচ এন এস):** নেশনল মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএশননা শীন্দুনা রাজস্থানগী আজমরদা লৈবা পটেল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭ লক শুবা নেশনল মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা মণিপুর গোল্ড মেদল ২২, সিলভর মেদল ১০ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৭ পুন্না মেদল ৩৯ ফংবা ঙমখ্রে।



ঙসি পাঙথোকখিবা জেল্লিন মশান্নদা নুপীগী চহী ৪০ মথক্কী কাংলুপ্তা এলাংবম ববিনানা গোল্ড মেদল ফংখি। মশান্না অসিদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা এথলিটশিং অদুদি চহী ৬০ মথক্কীদা টি নেনা, চহী ৬৫ মথক্কীদা এম রোগিতা, চহী ৭০ মথক্কীদা এম তরুবী, চহী ৮০ মথক্কীদা কে ঐচ কুঞ্জরানীনি।

নুপাগী ওইনা জেল্লিন মশান্নদা চহী ৬৫ মথক্কী কাঙলুপকীদা ও নিমাইনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। চহী ৮৫ মথক্কী কাঙলুপ্তনা কে ইবোহলনা গোল্ড ফংখি।

চহী ৫৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা টি ঐচ বিজয়া, চহী ৬৫ মথক্কীদা এন সুবদনি, চহী ৭০ মথক্কীদনা এন ইবেথোইনা মথংশিৎনা সিলভর মেদলশিং ফংখি।

নুপাগী চহী ৮৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা কে ইবোমচানা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। মশান্না অসিগী ওইনা চহী ৪৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা ৱাই জয়শ্রিনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এন ভানুপতিনা চহী ৩৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি। মশান্না অসিদা গোল্ড মেদল লৌখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি চহী ৪৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা রঞ্জিতা অঙোম, চহী ৫০ মথক্কীদনা ৱাই সঙ্গিতা অমদি চহী ৫৫ মথক্কীদনা টি ঐচ শান্তিনা গোল্ড লৌখি। অদুগা নুপাগী চহী ৬০ মথক্কীদনা ৱাই মধুচন্দ্র অদুগা চহী ৭৫ মথক্কীদনা এস বাবুয়াইমনা গোল্ড মেদল লৌখি।

মিটর ৮০০গী লমজেলদা সিলভর মেদল ফংখ্রবশিং অদুদি চহী ৩৫ মথক্কীদা এ সকিলা, চহী ৫৫ মথক্কীদা আর কে লতাসনা, চহী ৬০ মথক্কীদা এন কদম, চহী ৬৫ মথক্কীদা টি ঐচ চাওবা, চহী ৭০ মথক্কীদনা এন সনাতোম্বনি। অদুগা চহী ৫৫ মথক্কীদা টি ঐচ বিজয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

হায়জম্প মশান্নগী ওইনা চহী ৫৫ মথক্কীদা আর কে লতাসনা, চহী ৭০ মথক্কীদা এ মানবী, চহী ৮০ মথক্কীদা আর কে সনাহনবীনা মথংশিৎনা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি। নুপাগী চহী ৮৫ মথক্কীদা কে ইবোহলনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

# আইচি-নগোয়া ২০২৬ঃ সেপাকতাক্রো ক্বাদ ইভেন্টতা ইন্দিয়া সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচ এন এস):** জপানগী নগোয়াদা হৌজিক চথরিবা আইচি-নগোয়া ২০২৬ গেমস টেষ্ট ইভেন্টকী সেপাকতাক্রো ক্বাদ ইভেন্টতা ইন্দিয়া সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ইভেন্ট অসিগী ওইনা অহানবদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু সেট ২-১ (১৫-১২, ১০-১৫, ১৫-১০)দা মায়থীবা পীরমখি। মদুগী মতুং কোরিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদনা ইন্দিয়ানা ষ্ট্রেট সেট ২-০ (১৫-১০, ১৫-১২)দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

হয়েং অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবা মতমদা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দগা সেমি ফাইনেল শান্নগনি। ইন্দিয়াগী ক্বাদ টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মণিপুরদগী এস মালেমঙানবা, এস এস বি রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মণিপুরদগী ৱাই অকাস, বিহারদগী বোবি, দেল্লিদগী অরুন, সান্তিকুমার অমদি রামকুমারনি। ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অসি সেপাকতাক্রো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল নরেস কুমারনা লুচিংলি অদুগা হেমরাজনা টিম অসিগী চীফ কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

ইন্টরনেশনল টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা মণিপুরদগী দল্লিয়ু জিতেন অমসুং প্রিটিনা রেফরি ওইনা মথৌ তৌরি। মথং থাগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়াগী টিম অসি থা অসিগী ৩০দা খোঙশানখিবনি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর সেপাটতাক্রো এসোসিএশন (এম এম এস টি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ গেসকাননা হয়েং শান্নগদৌরিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা টিমনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া টিমনা হৌজিক ফাওবদা ফজবা পার্ফোমেন্সশিং উৎপা ঙল্লি। মখা তারকপদসু ইন্দিয়া টিমনা চাওনা মায় পাক্লুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি। মালেমগী থাক্তা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়া টিমনা মখোয়গী ফজবা পার্ফোমেন্সশিং উৎতুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। ইন্দিয়া টিমদা য়াওরিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনসু মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্লুনা লৈবাক অসিগীতা নত্তনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা শরুক য়ারিবশিংনা তেক্তা কায়দনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুদুনা হল্লকপা ওইরসনু হায়খি।

# কে সী সীত্রোফিঃ সোনালিকা, এল ৱাই এল, ক্যুব টেন মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জনুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস) :** গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব সজোর লৈকায়না শীল্লগা ইমা লাইখুলেম্বীগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল কে সী সী কপ টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সোনালিকা, এল ৱাই এল লাইরিকয়েংবম লৈকায়, ক্যুব টেন মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।



চথরিবা কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী ৬ শুবা মেটচতা সোনালিকানা পাথৌ এলেভেনবু য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাসনেল চঙবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা সোনালিকা টিমগী শান্নরোয় কিষন ৱাহেংবমনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা ত্রোফি খুৎশীন্নদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

৭শুবা প্রি-ক্বার্টর মেটচতা এল ৱাই এল লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমদি কে সী টি খুরাইগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এল ৱাই এল লাইরিকয়েংবম লৈকায়না ৱিকেট ৬তা কে সী টি খুরাই মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা এল ৱাই এলগী দেনিন নোংথোম্বমনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ত্রোফি পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

লোয়ননা ঙসি ৮ শুবা অমদি অরোয়বা প্রি-ক্বার্টর মেটচ শান্নখিবদনা ক্যুব টেননা সী এল টি পোরোম্পাৎপু য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ৮ শুবা টিম ওইখি।


# জি ঈ এস সী দি ও ত্রোফিঃ ৱাইল্ড জিম মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচ এন এস):** গোলাপতি এদ্যুকেসন, সোসল এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জি ঈ এস সী দি ও)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫দগী হৌদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী শান্নবুংদা চথরক্লিবা ৭ লক শুবা জি ঈ এস সী দি ও ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ৯-মেন-এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাইল্ড জিম মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ফুটবোল ত্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাইল্ড জিমনা য়ুম্নু জি ঈ এস সী দি ওবু লাকচনা পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1723**

**WIM Mariam Mkrtchyan (2353) - WGM Turmunkh Munkhzul (2271)**
**World Blitz Women 2025 Doha QAT, 2025.12.29**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.g3 Bg7 | 4.Bg2 O-O | 5.Nc3 d6 |
| 6.Nf3 Nc6 | 7.d5 Na5 | 8.b3 c5 | 9.O-O a6 | 10.Bb2 Rb8 |
| 11.a4 Ne4 | 12.Qc2 Bf5 | 13.g4 Ng3 | 14.gxf5 Nxf1 | 15.Rxf1 gxf5 |
| 16.Nd2 e6 | 17.Rd1 Qg5 | 18.Nf3 Qe7 | 19.e4 f4 | 20.e5 dxe5 |
| 21.d6 Qd8 | 22.Ne4 b6 | 23.Bxe5 f6 | 24.Bc3 Nc6 | 25.Ned2 Qxd6 |
| 26.Ne4 Qc7 | 27.Bh3 e5 | 28.Kh1 Nd4 | 29.Bxd4 cxd4 | 30.Be6+ Kh8 |
| 31.Rg1 f5 | 32.Neg5 e4 | 33.Nh4 d3 | 34.Qd1 f3 | 35.Bxf5 Qf4 |
| 36.Ne6 Qxh4 | 37.Rxg7 Rxf5 | 38.Qg1 Rh5 | 39. ... | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1722 Solution :**

**28. Qxh7+** *The white queen decoys Black's king.* **Kxh7**
*28...Kf8 29.Qh8#*
**29. hxg6+** *Double check* **Kg7**
*29...Kg8 30.Rh8+ Kg7 31.R1h7#*
**30. Rh7+ Kg8**
*30...Kf8 31.Rh8+ Kg7 32.R1h7#*
**31. Rh8+ Kg7 32.R1h7#**
**1-0**




Title : Gojo
By : Derickson Maibam
Class : II Roll No. : 11 Sec : C
School : JJ School Montessori, Ghari




Title : ?
By : Khristina Thokchom
Class : V Roll No. : 2 Sec. : Diamond
School : Heritage Convent



Title : Republic Day 2026
By : Mangal Tensubam
Class : KG Roll No. : 11 Sec. : A
School : The Youngster Dynamic English School



Title : Raining Day
By : Puwari Thokchom
Class : I Roll No. : Sec. :
School : RB Academy



Title : Mask Girl
By : Salfiyana
Class: V Roll No. : 23 Sec. : A
School : Five Star English High School



Title : Republic Day
By : Tensubam Jotison Singh
Class : V Roll No. : 6 Sec. : A
School : The Youngster Dynamic English School




Title : ?
By : Tensubam Prakit Singh
Class : V-I Roll No. : 1 Sec. A
School : The Youngster Dynamic English School



Title : ?
By : Wahengbam Jessica Chanu
Class : III Roll No. : Sec : 1
School : Holy Cross School



Title : ?
By : Tekcham Niti
Class : III Roll No. : 5 Sec. :
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya, Pangei



Title : Makar Sankranti
By : W. Sumitra
Class : IV Roll No. : 15 Sec. : A
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya, Pangei



Title : Makar Sankranti
By : Geetshree Ch
Class : IV Roll No. : 7 Sec : B
School : R.K Sanatombi Devi Vidyalaya, Pangei



Title : Suger Can
By : H. Chitambaram
Class : I Roll No. : 40 Sec : A
School : Pitambara English School



Title : Santa Chirstmas
By : Nahakpam Hiyainu Devi
Class : II Roll No. : 43 Sec : C
School : St. George High School



Title : Aeroplane
By : Thiyam Oliver Singh
Class : I Roll No. : 46 Sec : C
School : S.R. Hr. Sec. School



Title : Ball
By : Sheikh Subhan
Class : I Roll No. : 17 Sec : C
School : Standard Robarth Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com